**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 19-05-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৯-০৫-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ভারতনা সাফ অন্দর নাইন্তিনগী ফুটবোল চেম্পিয়ন ওইরে।

২) সিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগা মরি লৈননা মীয়ামদা কিহনবগী থৌদোকশিংদা চেন্নবশিং মণিপুর পুলিসকী সাইবর ক্রাইমগী পুলিস স্তেসননা কেসশিং রেজিস্তর তৌদুনা মখোয়বু ফাননবা হোৎনরি।

**অমসুং**

৩) অসামদা লূপা কোতি ৩ হেনবগী হেরোইন ফারে। দ্রগকী মায়োক্তা মখা তাবা খোঙজং চংশিনখিগনি হায়রি।

**------**

**ফুটবোল (এল)ঃ** ভারতনা সাফ অন্দর নাইন্তিনগী ফুটবোল চেম্পিয়ন ওইরে। ঙরাং অরুনাচল প্রদেশকী য়ুপিয়াদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ভারতনা মমাঙগী চেম্পিয়ন বংলাদেশপু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখিবনি।

যুপিয়াগী গোল্ডন জ্‌বিলি স্তেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী মেটচ হেক হৌবগা অনি শুবা মিনততা ভারতকী কেপ্তেইন সিঙ্গামযুম শামিনা গোল অমা চনখি। অদুবু, মেটচকী ৬১ শুবা মিনততা বংলাদেশনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা অপিবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখি। পেনালতি সুট আউটতা ভারতকী ওইনা মোহমদ অরবাশ, রিশি সিংহ, জোদ্রিক অব্রাঞ্চেস অমসুং শামিনা গোল চনখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ভারতকী গোল কিপর সুরশ সিংহ অহৈবমনা খ্বাইদগী ফবা গোলকিপর। চেম্পিয়নশিপ অসিদা গোল মঙা চনখিবা দেনি মৈতৈ লাইশ্রমনা হাইয়েষ্ট গোল স্কোরর এম.দি অরবাশনা মোষ্ট ভেল্যুয়েবল প্লেয়র অমসুং ভারতকী টিমনা ফেয়র প্লে এৱার্দ ফংখি।

মাই পাক্লবা ভারত টিমগী কেপ্তেহন অমসুং ফাইনেল মেটচ অসিদা গোল অনি চনখিবা শিঙ্গামযুম শামিনা চেম্পিয়নশিপ অসি লৌরকপদা নুঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা অকাশবানি ইম্ফালদা অসুমা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--শামি**

ভারত টিমনা শাফ অন্দর নাইন্তিন ফুটবোল চেম্পিয়ন ওইরকপদা বি.জে.পি লুচিংবা নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা নুঙাইবা ফোঙদোরক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা মহাকা হায়-চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরদগী শান্নরোই ১৩ খল্লকপদা ঙরাং মেটচকী ওইনা শান্নরোই ৮ স্তার্তিং লাইন অপতা য়াওখি। মণিপুরনা ভারতকী শরুক অমা ওইনা চাউথোকা লেপ্পা খক নত্তনা লৈবাক অসিগী শান্ন-খোৎনবগী লমদা চাউনা মাই পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

**পুলিস (এল)ঃ** মণিপুর পুলিসনা হায়রি-হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ৫ রক শুবা সিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগা মরি লৈননা কুকিনি চিংনবা শকখঙদবা মীওই অমসুং সংস্থানশিংনা মৈতৈশিংদা কিহনবগী থৌদোকশিং সোসিএল মেদিয়াদা থেংনরে। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মণিপুর পুলিসনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মসিগী চপ চাবা থবকশিং লৌখৎলি। মণিপুর পুলিসনা থিজিল্লুবা মতমদা ওর্গনাইজেসন অসি লৈরমদবা অমসুং মমিং লৈরবা ওর্গনাইজেসনশিংনা ৱাফমশিং অসিগা মরি লৈনদে হায়না ফোঙদোরকপশিং থেংনরে। অসিগুম্বা থৌদোকশিংদা চেন্নবশিং মণিপুর পুলিসকী সাইবর ক্রাইমগী পুলিস স্তেসননা কেসশিং রেজিস্তর তৌদুনা মখোয়বু ফাননবা হোৎনরি।

অমরোমদা, সিরুই লিলি ফেষ্টিভেল য়েংবা চৎলিবা মীওইশিং অশোয় অঙাম থোক্তনবা মণিপুর পুলিস, বি.এস.এফ অমদি পেরা-মিলিটরি ফোর্সশিংনা লম্বীদা আর.ও.পি চত্তুনা অশোয় অঙাম থোক্তনবা হোৎনরি। হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ২৪ ফাওবা চত্থগদবা সিরুই লিলি ফেষ্টিভেল হয়েংদগী উখ্রুল জিলাদা হৌরগনি। মসিগীদমক শেম শাবা লোইরে। ফেষ্টিভেল অসিগী মপুং ওইবা শক্তম হায়বা তারবদি শকহেনবী চাংদমবা, নাৎ অমসুং কলা সংস্কৃতিগী থৌরমশিং পাংথোকপা অমসুং অতৈ চাংদমবা কয়া মরুম পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না থা অসিগী ২১ অমসুং ২২ দা শিরুই লিলি লিটরেচর ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কনি।

**লো(এল)ঃ** মণিপুর পুলিসকী এ.দি.জি.পি(লো এন্দ ওর্দর) এল কাইলুননা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদক্কাতরসতা সাইবর লেব অমা হাংদোকখ্রে। সাইবর লেব হাংদোকপা অসিনা পুলিসশিংনা কেসশিং থিজিনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। অসিগুম্বা সাইবর লেবশিং অতৈ জিলাশিংদসু হাংদোকবা থৌরাং তৌরি।

মরক অসিদা, মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং ইম্ফাল বজারদগী প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমা ফারে। মহাক মীয়ামদগী শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা নেশনেল হায়ৱে টুদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলম পুবা গারি ৩৭২ পুশিল্লকখ্রে।

**বিরেন (এল)ঃ** বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ঝরখন্দগী ৱেষ্ট সিংভুম জিলাদা মাওইষ্টকী মথক্তা চখবা ওপরেসন অমদা লৈখিদ্রবা সি.আর.পি.এফকী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ মহারাবম প্রবো সিংহগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎলক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-শিংনবা কয়াগী মায়োক্তা লৈখিদ্রবা প্রবোনা মহাক্কী মথৌদাংশিং পাঙথোক্লম্বা অসিনা মহাক্কী থৌনা অমসুং লৈবাক্কীদমক কখোকপা অদু ময়েক শেংনা তাক্লি। শ্রী বিরেননা লৈখিদ্রবা প্রবোগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

**সুসিন্দ্রো(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী তিনসিদ রোদকী খুরাই কোংপাল(থৌবাল থোং)দা আর.সি.সি ব্রিদজ শাবগী থবক হৌরে।

সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা, এম.এল.এ লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা হায়-তিনসিদ রোদ পরিংগী থৌবাল থোংদা আর.সি.সি ব্রিদজ শাবগী মরুওইবা থবকশিং হৌবা অসিনা মফম অসিগী মীওইশিংগী ইনফ্রাষ্টকচর ফগৎহন্নবা খোঙথাং অমনি। মহাকা হায়-থোং অসি শাবা লোইরবা মতুং মীয়ামগী চখোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাহনবগা লোয়ননা মফম অসিগী অকোইবা মফমশিং চাউখৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**দ্রিল(এল)ঃ** ওপরেসন অভিয়াসকী মখাদা নোনে জিলাদা ঙসি সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল পাঙথোক্কনি। জিলা অসিগী তেংকোংজাং হায়র সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা পাঙথোক্কনি । রাজ্য সরকারগী রিলিফ এন্দ দিজাস্তর মেনেজমেন্ট দাইরেক্তোরেটকী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা মীয়ামা শরুক য়াবীনবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নরনা আপিল তৌরক্লি।

**অসামঃ** অসামদা লূপা কোতি ৩ হেনবগী হেরোইন ফারে। দ্রগ করবার তৌবা মীওই অমসু ফারে।

সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্মনা রাজ্য অদুদা নিশাগী মায়োক্তা সরকারনা চংশিনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মীওই অমদগী লূপা কোতি ৩ লাক্ষ ১৬ হেনবগী হেরোইন ফারে হায়না লাউথোকখি। মহাকা হায়-অককবা পাউ অমগা লোয়ননা গুৱাহাতি পুলিসনা সিলচরদগী গুৱাহাতি তমা লাকপা গারি অমা থত্তুনা চেক তৌবদা হেরোইন গ্রাম ৩৯৫.৬৭ ফাগৎপা ঙমখি। মহাকা হায়-মসিগী মমাঙদা অসাম পুলিসনা কোক্রাঝার অমসুং গোলাঘাট জিলাদা চথখিবা ওপরেসন অমদা মরুওইবা দ্রগ করবার তৌফমশিং থুগাইবগা লোয়ননা মীওই ৩ ফাগৎখি। মফম অদুদগী কানি অমসুং হেরোইন ফাগৎপা ঙমখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-গোলাঘাটতগী লূপা কোতি ৩ রোমগী মমল ওইগদবা হেরোইন গ্রাম ৫১২.৫৮ অমসুং কোক্রাঝারদগী কানি কিলোগ্রাম ৯৬৩ ফাগৎপা ঙমখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য সরকারনা দ্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙজং মখা তানা চথখিগনি।

**ফিসরিঃ** কেন্দ্রগী ফিসরিজ মন্ত্রি রজিপ রঞ্জন সিংহনা হায়রি-লৈবাক অসিগী শেন্মিৎলোনদা লৌউ শিংউগী লমগা চাংদমরুবদা ফিসরিজনা চাউনা মতেং পাংলি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী শেন্মিৎলোনদা লৌউ শিংউগী লমদা চাদা ৪ দগী ৫ ফাওবা মতেং পাংলি অদুবু ফিসরিজনা চাদা ৯ মতেং পাংলি।

অগরতলাদা ইন্তিগ্রেতেদ এক্বা পার্ক শানবা যাত্রা হুনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক শিনবা থুংবদা এক্বা পার্ক ১১ শাগনি। মসিগী মনুংদা পার্ক ৪ দি অৱাং নোংপোক লমদমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শাগনি। ফিস ফার্মিং চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা ত্রিপুরাদা খুদোংচাবা কয়া মরুম লৈ হায়রদুনা মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা চহী ১ দা দরকার ওইরিবা ঙা অসি মেত্রিক টন লাক্ষ ১ মখায়নি। ঙাদা মীপাল তাংবা রাজ্য ওইবনা ঙা পুথোকপগী চাং ৱাৎপদগী য়ুম্লোন্নবা বঙ্গলাদেশ, অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং উরিষাদগী ঙা পুশিল্লক্লি। রাজ্য সরকারনা থৌরাং কয়া পায়খত্তুনা রাজ্য অসিবু ঙাদা মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইনবা হোৎননবা মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মাওদগী ইম্ফাল ফাওবগী লম্বী পরিংদা লোনা য়াদবা মওংদা তেক্স খোমগৎপা মফম ২০ হেন্না লৈরিবসি অফবা খুদম নত্তে হায়বা এম.পি বিমোলগী ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আই.এগী ওফিসিএলশিংনা ডোক্তর শাদুনা মণিপুরগী কেসতা চেন্নবা মীওই অমা কেরলাদগী ফাগৎখ্রে অমসুং রোয়েল রাইদর্সনা ১৪ শুবা মহৌশা ইমা নিংশিং থা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি-হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পাকিস্তান খক্ত নত্তনা ইন্দিয়া অমসুং বঙ্গলাদেশকী মরিসু ফৎচিল্লক্ত্রবরা, ধাকাগী এন.জি.ও অমনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং অমসুং ম্যান্মারগী অরাকান ষ্টেট কোন্সিনবা গ্রেতর বঙ্গলাদেশকী মেপ পুথোরকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা হুহয়েন লানপাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

'দ মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব' য়ুনিয়ননা ফুরুপ অসিবু এস.টি লিষ্টতা চন্নবা রিকমেন্দেসন থাবীয়ু হায়দুনা রাজ্যপাল ভাল্লাদা তকশিনখ্রে অমসুং তাংখুল নাগালোংনা খ্বালতাবীগী কুকি খুলাকপশিং কৌদুনা ৱারি শাখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মপালগী দ্রাইভরশিং মণিপুরদা লাকিংদ্রে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মমিং লৈরবা সিরুই লিলি ফেষ্টিভেলনা রাজ্য অসিদা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্লে হায়বগী অশেংবা চাংয়েং ওইরগনি অমসুং মিস সিরুই লিলি ২০২৫ দা ফাইনেলিষ্ট ২২ না শরুক য়ারগনি হায়বা পাউ অসিনা- দ মোর্নিং বেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

এন্তি সোসিএল এলিমেন্টকী ৱাফমদা মীয়ামা পাখৎপীগনু, উখ্রুল চৎনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিল থৌরাং লৌখৎলে হায়বা টুরিজম দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর পুজা এলাংবমগী ৱাফমনা অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি-পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

ফঞ্জাই কাংলুপকী মানবা অনৌবা লৈ মখল অমা তামেংলোং জিলাগী নিউ মাবুলোং খুলদা থেংনবদগী মীয়াম অঙকপা পোকরে হায়বা পাউ অসিনা গানফিউ মেল অমসুং তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**